ইবুধৌ থাংজীং কোয়রেল-লাই
চাঁউ শিদবগী মপাউখোল
তাবিরেদো লোইনা—

হৌজিক্তি করি থৌশিল্লিঙাই
কোলোম্বনিঙাই ওইদবরা !

অমাই হঙবা— ঐবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই।
কংলা উক্রোং হোঙনঙাই
য়ারো শারম চাম্মনিপাল,
লেম্নৈ ঙারম চাম্মনিপাল
হান্না লাঙনিঙাই ওইদবরা।

কদেং থাঙজহনবা—ঐবু লোইবা লৈমাব,
মোইরা' নিংথৌ ইনিংথৌ।
য়ারো শারম চাম্মনিপান্দি
নদাইরেম ঐগী ইঙম নত্তবরা।
ঙসি কৌবা নোংদগী
লোইদাম থাবুম ফাঙম-মাঙ
চাঁঙ মানা কুর্বানিঙাই ওইদবরা।

নিংথৌ— মুঙাইদ ঙদাইরেম।
নথোয় খ্বায়গী নপাল লাং
নিংথৌ ঐনা পাঙঙাই নত্তবরা।

কদাং ঙারুংহনবা—ঐবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংথৌ ইনিংথৌ।

লেমৈ ঙারম চাম্ন-নিপাম্না
নদাইবেম ঐগী ইঙম নত্তবরা।
পাথৌ শারুংহনবনা
য়ারৌ শারম লাংবরাই
লেমৈ ঙারম য়ৌনঙাই
চীঁঙ্ মানা কুবিনিঙাই ওইদবরা।

নিংথৌ— মুঙাইরে, মুঙাইরে ইদাইরেম।
(কদেং-কদাং অনীদা) ইদাইরেম অনীমা।
হৌজিক্লক মোংবা নরান তমজরো,
তোর্ব্বং, লোক্লাক তম্লিঙাই
থৌরাং তম্না তৌওবো। (অনীমক খুরুম্না, থোকখিবা)

ওঙ্গ্রাকপা— শানৌ নিঙোল-লাকপ।

নিঙোল-লাকপা--ইঙো, অস্নুপ্না।

ওঙ্গ্রাকপা— থয়ুম মপাউখোল তারেদো,
নিংথৌ-লাকথাং ফংনঙাই লাক্লেদো,
লৈম্রোল চেংলো হেঙ্গুন্নু,
ফম্লাল মিংহুল তাংজন্নু,
নিংথৌ লৈমা তম্নঙাই
য়েংনিঙাই ওইরেদো।
কংলা উক্রোং হোঙবরাই

লৈমা সানা ওয়দা থং
ফম্বাল নাপ্প য়ানা ফম
মপু শেগা হেয়ংঙাই
য়েংলসিদো ইশানৌ।
কোরৌ শীংবুম কয়াদা
কোলোয় পাউকৎনিঙাই—
য়ারা ফিগৈ শেংনিঙাই ওইদবরা।

নিঙোল লাকপা—ইঙো অসুপ্প।
লাপ্ন' করি থিরক্লানঙাই।
য়াম্বা লাইজিংলাকপা মমোম্লোল
লৈমবেল শায়োন্দ নাংথিবা
কেগে ফম্বাল মিংহুন্ন
লৈমা তোম্ব লাইজিংলেম্বা লৈনা।

ওক্সুরাকপা— চুম্মি চুম্মি ইশানৌ।
লৈবাং মাগা পানিঙাই
শীঙেল মাগা থানিঙাই
কেগেদা মযোল চোংদ্রি
মোইবাংদা মক্ষ হুন্দ্রি।
কেগে ফম্‌প পূম্নমা
করি কোলোয়নিঙাই।

তোলোংখোম্বা— ইঙো অমুপ্প।

য়াম্বা লাইজিংলাকপা মমোয়োল

লৈমা তোম্বু লাইজিংলেম্বীনা

লৈমা সানা ওয়দা থং

সনা তাঙবল নাপ্প য়া

নিংথৌ লাকথাং য়াবদি

মতিক্মন্নি চানঙাই।

ওয়্মুরাকপা— অদুদি ইশানো তোলোংখোম্ব।

ইশানৌ লাইজিংলাকপা পাউপিনিঙাই ওইদবরা।

তোলোংখোম্বা— ইঙো অম্বপ্পা.

থৌবাঙজগনি নশানৌ।

# অনৌশুবা মতাং

## অহুমশুবা উৎপা

মফম—লাইজিংলাকপগী মরাল ( লৈকোল )

মতম—য়াচঙ মতুং।

তোম্ন লাইজিংলেম্বী—( ইশৈ ঙংনা ঙংনা শান্নবা )

হাদ লৈরাং তনৌম্নু,
শীঁঙেল খোয়রুম মোমোম্ন।
লৈরাং নংনা নোকচবা
পাম্মুনা মুংশি শোনবরনে
কোলোয় নপাউ তম্মুদ।

হাদ মালং নামিরায়
কাইদ কাইদ হুম্নিরায়।
কাইদ নংনা হুমজবা
পাম্মুগী চেংলৌ উবরনে
কোলোয় নপাউ তম্মুদ।

হাদ খোইমু লৈরোলয়াম
লৈথি ম্যাংদৌ খোঙলময়াম।
নংনা লৈনা ঙংজবা

পাম্মু মাবু লাকপরনে
কোলোয় নপাউ তম্মুদ।

হাদ থাজ নোংলময়াল,
লৈরাং থরো লায়ুমণ্ডাল।
হাইথ নংনা নোকচবা
পাম্মু লাকপা উবরনে
কোলোয় নপাউ তম্মুদ।

পেম্বু—(নোক্না) রাবিদ শরাসো।
ঐখোয়দি খোইরোয়দোবা তন্‌বু তল্লেনা,
তাইবংপান্সিদে য়াম থুনা ভাওনত্রেনা।

তোম্বু— পাজোম্সি, নশমতু ফো থাদুনা অমমম ফোয়ুরা।

পেম্বু— হৈমা কিজ্জদ হবেম্মসে।
মীনা অম্মুম হায়জরগা—

তোম্বু - ওইররিনি হায় (মনা পায়বা)

পেম্বু— হায়ররোহ, হায়ররোহ—(খাদোকপা)

(তোম্বুনা ইশৈ শকচিন্দুনা কয়েমবা)

শীঁ ভেলবু লৈহাউ ওইরগে,
লুখ্রা শীংদবু চল্লগে,
খোইরোয়নবা পামজন্ত্রে।
হাদও থম্বাল লৈম্মুংশি,

খোইমু মাগী মগুংলাং
নুংশি-খাম্বি মৈশা লাং
শীঁডেল লৈচু তম্ন লাং
খুইরুম লৈমল চনবদো
পামজদে ঐদি লৈনুংশি।
শীঁডেলবু লৈহাউ ওইরগে
লুপ্পা লৈরাংবু কৌরগে
খোইরোয়জবা পামজদ্রে।

কদেং থাওজহনবা—( চওংকপা ) অচানবি।

পেন্নু— হজো।

কদেং— হশৈবু হৈখ্রেদ।

পেন্নু— ঐদি থাজক্কান।

কদেং— কনাদি য়াম্না··

( তোম্বু নাম্বি নোম্বি মখা চিকপা )

পেন্নু— তো— আদ মখা চিক্লিবসে। ( চেম্বোকখিবা )

কদেং— পাম্মু!

লোহবি চাদ আপথক
নোংজা লোম্নায় শৈরাংনু
নুংশি-ঙাম্না-কোলোয়নু
য়ারা মাগী ডমজনু
শৈরাংনিঙাই ওইদবরা।

তোম্নু— মুংশি নংবু হায়ুদ।
লোইবি নাপোম মমোয়োল,
লাইজ ঈচেল রারানু
লোক্তাক ঈশা কংজরাই
লাইজ ঈখোল লৈবরা!
লোয়ুম নংবু খুম্মুদ!

কদেং— কালেন খাবুম ফাবরাই
থাদোই খোম্থাং কাদরা।
থাজ-তরং শিন্থরাই
তান্না শৈথাং হাগুরা।

তোম্নু— নোংদম ওইবা পাম্মুব,
নুজা পায়ন-মুঙোনব,
পাম্মু নংবু মাঙদা থা
মুংশি হৈ-না নতুং ইন
নুজা খাঙকম লোইজবা
পীনো নংবু লোয়ুম্ব।

ঈশৈ

(ইশৈ শকপা) শাবি মাঞ্জ পাম্মুব,
মুংশি নংবু লোয়ুম্ব,

চেংলৌ নঙ্গী মুংশিবা
পায়মা মুংদা লাচ্চৈয়ে।
থম্মোই ফিরাক থায়
ননাও ঐনা উংপা ওম
মাঙ নংবু মুঙাইনি।
হৈতরা।

( কদেং নোঙ্না মথুংকা মথদাংগা পাথছুনা য়েংবা )

কদেং— শানৌ নঙ্গী নকাদা
করি হায়না পাউদমসিগে।

ভোমু— করিননো শাম্মুব,
করি খুন্নৌ চেনবা থোক্লবগে।

কদেং— নিংথৌ পন্না কনবনা
কোরৌ শীংবুম খয়দং
তোৰ্ব্বুং খোঙদারুবা তারে।
কংলা উক্রোং হোঙনঙাই
য়ারৌ শারম চাম্ম-নিপাল
ফারুনিঙাই ওইরে।
হয়েং কৌবা নোংনা
ইমুং তৈনা ঙানবদা
পাখং খোঙদোই হুম্মিঙাই ওইরে।

তোম্বু— ননাওদি কবম পাম্মুব।
কদেং— করিম্নুংগী ৱাবগে।
কোৱৌ অঙাল পাম্মোইবা
থম্বালগা কোলোয় পাউশিন্নৈ,
নোংজা মালং অপানবা
থৱোগা চাঙ্গাই পাউসানৈ।
শানৌ করি ৱানিঙাই - !
( তোম্বু কপ্পা )
নথংলেন এগী ইশান।
তোর্ব্বুং লমগোইৱবস্তু
নশাবি এগী থৱায়দি
নুজ্জা নঙ্গা লৈথোং কোইদনিঙাই লৈবরা!
নুংশি করি ৱাবগে,
পিৱাং পিবোয়নবগে।
তোম্বু—( মনাদগী লৈ লৌথোকলা। )
পাম্মু নংবু ওংবরা!
ঙসি কৌবা নোংজাদা
নুংশি নংগী নাপ্পদা
ননাওনা শীঁঙেন শাচোম লৈৱাংজরি (চিনবিবা)
ননাও ওইবী ঐহাক্না
পাম্মু নঙ্গী শাথি খোঙলোয় ওইবা ৱাদবনা

লৈরাংসিনা মুজা ইচুং তমজরি।
শীঁঙেম্না লৈচু ওল্লবা
থাংজী লাইনা কুবিসম্বু!
করিগুম্বা নোংদা
লৈরাংনা লৈচু ওল্লবা
ননাও ওইবী ঐহাক্না
অন্নাবা তুরৈ চল্ল
অনংবা ইরৈ লাং
পাম্মু নংবু কৌবনি-
কাউবিগম্বু মুংশিব!

কন্দেং— শানৌ নঙ্গী নচুং শিন
লৈরাং নাচোমদি পীনরে,
পাখং শাথি খোঙলোয় ফংজরে!
মুংশি নঙ্গী নকাদা
নথংলেল ঐনা কবি খুদোল তম্মক্লিঙাই
কোলোয় নপাউ তম্মুদ।

তোম্বু— পাম্মু নংনা হল্লক খোঙদোইনরকউ
ননাওগী য়াবৌ শাগম্বিরকউ!
তোর্বুং লমজাও ওংজম্বু,
মিংলাং তরং পেরাউম্বু,

কিবোয় তথক কোয়রাওম্ন
নাকেল রাউথাং তুবান্ন
য়াবৌ শক্তি ননাওগী ফাবিয়কউ পাম্মুব।
য়ারৌ মাবু কোঙ্গোই হুক
মুজা য়োংথম হংখোং পুল
কোরৌ অঙাল লৈরিবঁ
পাম্মু নংনা তাম্নিবঁ
মুংশি চেংলৌনি য়েংজগে ননাওনা পাম্মুব।
( কদেং তোম্বু অনী য়েংনবা )

# অনৌশুবা মতাং

মরিশুবা উংপা

মকম—মোইরাং কংলা

মতম—নুংথিল ।

লাইহিং লাকপা (খুকউ লৈদা তা মখুৎ অয় লোল)

ঐবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং-নিংথৌ ইনিংথৌ,
কেগে য়োইময়াই পাঙ্গনব,
নদাইরেম এবু কবি পাউকংসিগে।
য়োল্লবদা ঙাকপিগনি,
লাল্লবদা কনবিগনি।
নোংম কৌবা নোং
কোম্মু-খুয়োন-তেংথারোল
নদাইবেম ঐনা গাখিয়ে।
পায়মা নুঙোলখিবনা
"ঐনা পোকপা ইমোম্মি
ইমোম য়োঞ্জরাই নীংদমথররোই"
থাংজীং মিংথৈ পল

শরী পন্দোল পোম্মুরে।
ইমোম মবুক পাউহংজরকউদি
"লৈমকোন্দি শরাইকোল
মুজা ঐনা পামজদে"
পাউখুম লৈনা শিখাখরে।
শরা তোরৈ হিরাক্লে,
নদাই ওইবা রাকইয়ে হিকনবিয়ুদ ইনিংখৌ।

ওম্মুরাকপা— শানৌ লাইজিংলাকপ,
কাঁর নপাউখোল্লোদ।
মোইরাং লৈমরোল রাংপরা?
খয়ুম মাগী মপাডখোল—
মুরা নিংখো-মিংখে-মিংরায়নু
থিবদানিদ ইশানৌ।
কেগে লৈহোউনবা
মোইরাং লৈচাউনবা
লৈম সানা ওয়দা থং
নিংথো তাংবল নাপ্প য়া
সনা লাকথাং য়ানওাই
নমোম থাংবা য়াদনিঙাই ওইবরা।

তোলোংখোম্বা— পাংথা নংবু কাউবরা,
মীপুম লৈবাকী নঙবরা।

মীপুম মদোম মাঙনঙাই
লৈবাক মরা চেংনঙাই
তৌদনিঙাই ওইবরা।

নিংথৌ— কংলা ফম্মুপ অপুম্ব।
লাইজিং নিংথৌ পাল্লিচৈ
মদাইরেম শরা পল্লাং নম
নিংথৌ লৈমা তমখিয়ে
হায়র্নানিঙাই ওইদবরা।

ওক্ষুরাকপা— ঙাকপিয়ুদ ইনিংথৌ।
সনা তাংবল লাংনঙাই
মপু-লীকথাং তানঙাই
ব্রানিদ—
চারোল লম্বী য়ানবনে,
শূরোল লম্বী সেম্বনে--
তৌদনিঙাই ওইবরা।
ফমধৌ ফম্মুপ তাবিসি!
শানৌ লাইজিংলাকপগী মপাউথোল
লৈবাক কায়দনিঙাই ওইবরা?
মরোমদোমগী য়েংনঙাই ওইবরা,
লৈবাক্কী য়েংদনিঙাই ওইবরা?
(ফমধৌশিং তা থিংবা)

( নিংথৌদা ) ঐবু লোইবা লৈমাব,
লৈবাক মাগী য়ান্না ওই
লাইহুজিংলাকপা য়াপা সা
নদাইরেম ওক্সু য়াকপনা
চরৈ ভক্তা য়েং
থুকউ লৈদা তা!
থুবাম চাংজো চেপ্পা য়াকচরিয়ে —
পলেম কেগে লৈকোয়নু
মোইরাং নুংশি-কোলোয়নু
পলেম মাগী থোয়াং থক
চীঙ্গোয়-চহল-চখোম লাং
মালংপানবু ভংজরায়
মপারি কনানুং
পলেম শকাউরবদা
নিংথৌ চৈরাক ফংদানিডাই ওইবরা,
চৈরাক-লৈরাং শিদনিডাই লৈবরা!
কেগেদা থুনাম তাকদে,
মোইরাংদা খোডফম নাইফদে—
( কমথৌশিং তা খিংবা )

লাইহুজিংলাকপা—চুন্সি ইনিংথৌ,
চুন্সি অসুপ্প,

লৈ ফংনিঙাই ওই।
নদাইরেম চৈরৈ কিগাউ য়াজরে;
ইমোমগী মরমদদি
কোলোয়ানিডাই কার লিজদরে,
শরী-হংলাং কুকুমজরোহদোরে।

তোলোংখোম্বা—পাথৌ নংবু,
তিল্লাং থকয়োংনখোদ,
পায়মা রাখল তোখোদ।
থাংজীংনা শোয়বোহ,
পাথৌ, কুবগনিদ!

নিংথৌ— ইদাইরেম!
লৈবাক য়াবা ংলা চন
নংবু ডাক্লরন দরে,
পায়মা কাপ কপনুকো!

ওক্ষুরাকপা— ইনিংবী!
অঙম্বা মানা নাডবাদ
ইয়ুম কোনা মাডবানি,
'ডুবু মারোল সিদগী রানিদো;
কেগে ফম্বাল মুংপদি

চারোল শ্রবোল লোইনগী রানিদো ;
মপুগী নোংদম মঙায়দো !
( কমধোশিং জা থিংবা )

তোলোংখোম্বা  ইনিংথৌ !
নিংথৌ অহৈনা মুংদাবিগনি ।

নিংথৌ— ইদা [illegible] লাইখিংলাকপ !
[illegible]-নিংথৌ [illegible] থাম্নবম
পায়ম-[illegible] [illegible] !

লাইখিংলাকপা—ইনিংথৌ ।

নিংথৌ — শঙলেন [illegible] !

শঙলেল লাকপা—ইনিংথৌ ।

নিংথৌ— [illegible] [illegible] [illegible],
কথাই [illegible] [illegible] -
[illegible] [illegible] [illegible]
লাইখিংলাকপা [illegible] !

শঙলেল লাকপা- ইনিংথৌ ।
( লাইখিংলাকপ [illegible] শঙলেল লাকপনা পুথিবা )

# অহুমশুবা মতাং

## অহানবা উংপা

মকম তোর্বুং লমজাউ,

মতম—অয়ুক।

কদেং থাঙজহনবা—( মফি ময়োল শেংনা শেংনা )

তযুমশা।

নখোয় চংলম্মো।

ঙরাং কৌবা নোং

ঐখোয়না মৈরম লৌবা লমদুগী

লাইজি পাংবা লম অদোমদা

ঙসি কৌবা নোংসিগী

খোঙরায়ক্ম ওইবা ত্রারে।

( ময়াম থুরুমদুনা খোকখিবা )

(শাগোয়বা মনাইদা) তযুম।

মনাই— ইঙো।

কদেং— নবেম্মা—

মনাই—( লকুয়ানা য়োম্বা অমা চোকশিন্না পুয়কপা )

নশানৌ ইবেম্মা লৈরাং শায়োম—

কদেং—( লৌথোক লৌথোক্লা ইশৈ ঙংবা )

ইমানগী মচা পাম্মুবি,
কোলোয়-মুংশি-তোম্মুখোম্বি।
( নাচোমদা ) নথংলেন তুংইঙনিংবনা
শাঁঙেলগী নাচোম ওইরবোই।
শানৌ মিচ্চি হাইনোক্লা,
পাখং-পুক্লীং-হূজম্মু।
য়ারৌ শাখি চংলুগে
লমজাউ ইরাল কোইরম্মু
ও কোইরম্মু কোইরম্মু-দে।
( লৈ য়োমখিদ্দুনা মনাইদা পীবা, থোক্লা থোক্লা )
তম্মুম,
নবেম্মা শোয়গনি।
( অমুক ) শোয়রবা য়াদেকো। ( খোকখিবা )

মনাই— মীগীদি—
ঐখোয়গীদি কদায়।
মাঙদদি হেক দে দে,
তুংদদি—
( ইশৈ শকপা ) শানৌ ইবেম্ম,
হা পেন্নুতোম্বী নহাকপো,
নবুংনা করম কাউসিবা।

অহিংগী তন্দন মক্ত ওই
নুংথিলগী চেক্লা মক্ত ওই
তোর্বুং লমজাউ তারোগবা নুংশিবি।
পাখং হাৎপা অরাফম কিদবরা পাম্মুবি।
হা পেনু,
পেনু নংবু নুংশিকে'! ( চৈশ শক্লা শক্লা চখিবা )

( ফিজং হোংবা, মতম—নুমিদাংবাই )

পাম্মোইবী—( চেঙলকপা )
খোয়নৌ ফৌইরমা তোন্নু-শায়োন্নু
মশাবি তোর্বুং শাথীব ম
হৈ-না খোঙ্গুল লীবক ।
শানৌ মাগী খোঙ ক ক
য়াংদো সন্দী য়াল
লমজিং মেৎ পাযনভাই ওইরে।

( লৈমা কৌবা ) আ খোয়নৌ লৈম্লেম,
হা মালেম খোইউবী নংবু
তাবরা!

লৈম্লেম—( থুম্বা থুম্বা চেঙলকপা )
আ খোইনৌ পাম্মোইবি,
হা লৈমরেল শায়োল লুচিংনু!

খোয়নৌ নংবু লাক্লে,
হা-লাক্লে লাক্লে-ও ইংখোয়নৌ।

পাম্বোইবী— ইখোয়নৌ নংবু গাবরা।
নৈমা তোম্বু লাইজিংলেম্বী,
ফৌওই নৈন মশাম্মোল
অম্বা-খুম্নৌ চেল
করি তৌনাঁভাই খুঙদ
মশাবি খোঙ্গুল লীনভাই
তোর্ব্ব্ গনজাউ ওম্মক্লিয়ে—
খোয়নৌ নংবু খোঙ্গাইবিরুগব-ও।
অহিং তাংলো নানডম্মাড
ইপুং শোংরা তেন ভানডম্মাড
মশাবি চাঙ্গোয়-পাউশিন্নতুং
শানৌ মাবু পংখা মরান য়োইল্লুগব-ও।

লম্মেমা— খোয়নৌ করি ব্লাবাগ,
নখোয়নৌ ঈংগাক নৈয়ে।
( চুমদা, খোক্লখিদা )

( ফিজং অমুক হোংবা, মতম—অহিং )

কদেং মনাই—( খোরকপা )
করিমুংগুম্বা তৌরবনো,

ঙসি কৌবা নোংসিবো,
খোঙকম অসি থেঙমল্লিদ।
ঐবু শাশঙ পাম্নঙাই
খোঙলোয়নিন্ন ওইহৌদেদ।
হে থাংজীং, নংনা কুবিনিঙাই মঙায়রে।

কদেং থাঙজহনবা—( শারোয়শিংগা বানা চঙলকপা )

তয়ুম।
ঐ রাবনা শিনিঙাই ওইরে।
চরৈ ফিরোল হোংলরোহ,
বাংলৈ মিকুপ অমত্ত পোথাখিগে।

( কম্মুংদা কুপখিবা )

( ময়াম মকা মকাদা চঙনখিবা, মনাইনা মখুঙো শঙহৌবা )

লৈমা—( মশাক্মক্ষী ইশৈগী খোল্লো )

পাখো নংবু তাবরা।
নশানৌ তোম্বু লাইখিংলেম্বানা
মার খোঙ্গুল লীরকইয়, তাবরা।
খোম্লেন পাল্লে পাম্না হৌগংলক্লো,
নশানৌ চিল্লোক পাউমেনজরো—
হা কদেং অথৌবা নংবু তাবরা।

কদেং থাঙজহনবা—( ফুক হৌগৎপা ) তয়ুম।

হৌজিক কনাম্নুং লাক্লম্বগে।

মনাই— কনা থোইনা লাক্কে ইভো।

কদেং— নবেম্মদে ? ( মনাই—লৈ মরোম লানবা )

(লৈ তহা তহা য়েংবা) হে থাঙ্জীং। (শুকথবা)

মনাই — এঃ লৈচু ওল্লেনসিদে।

করিনুংবু থোক্লগবা—

তোম্বু লাইজিংলেম্বী—( পেম্বুগা চোক্নিম্নরকপা )

মাঞ্জ নংবু থাবরা।

কদেং— (ঙক্লা) শানৌ, করি মতৌ কৌবগে।

তোম্বু— থাঙলেল খুঙা পায়

সুজা থম্মোই ফিবাক থায়

অমংগী য়াথোং কম্লগে

পাম্মুবা নংবু—

কদেং—( থুক্লা ) করি ব্রানে।

( পেম্বুদা ) অচানবি। কোনোয় ফিগৈ—

পেম্বু— ( কপ্না ) ইবুঙো !

করি পাউদম্নসিগে ?

খয়ুম মাগী মপাউখোল—

কেগে খুঞ্জাউনিঙাই

মোইরাং লৈচাউনিঙাই

ব্রানে—

সুজা মিংমান্নবীনা

লৈমা সনা ওইদা থং
সনা তাংবল নাপ্ল য়্বা
নিংথৌ লাকথাং তাগনি—
কংলা উক্রোং হোৎবরাই
নিংথৌ লৈমা তমগনি।
লৈমরোল মিংমান্নবাদি
ই:বম্মদ মভায়রে।
পন্থৌনিদ অপোকপা
কোম্মু-খুয়োল-তেংথারোল তাক্লনিঙাই
“ঐনা পোকপা ইমোম্মি,
য়োঙ্গরাই ইনাং তমগ্নরোই’
শরী পন্দোল লোমখিনিঙাই
মমোম কংপনিডাই য়াংশিদরে।
লাইজিং নিংথো পুকফবা
ব্রায়েল পরিং মাংবা
নমাল কম্নিঙাই থোশিনখি।
কেগে ফম্নুপ পুম্বনা
“লৈবাক-নংথো কাদা য়োনবনি”
নমাল কেস্নন শঙথাথবে।
লৈবাক্না ইবেম্মা ফানিঙাই লেপ্পরে।
( কদেং মথদাং চিকপা )

কদেং থাঙজহনবা—( চৌং লেম্বা ) শানৌ।

ভসি কৌবা নোং

মুংশি চাংয়েংনিঙাই লাক্লে।

তোম্মু— পাম্মুব।

মুজ্জা থম্মোই ফিবাক থায়উ হায়বরা ?

মাঙ্গ নঙ্গী দমক্রি ·

থাডলেল খুগা পায়

অমংগী যাংথোং বুম্বদা

ননাও মাংলেলগি নাংবরা।

কদেং— শানৌ।

করি রাবু কৌথগে।

য়াইবি থরায় থা

অমগী য়াংথোংমক্ত কুম্বদি

শানৌ য়াইপাননাইগনি খডদবরা।

কদেং কৌবা ঐহাক্লা

মুংশি নঙ্গা নকাদা

ভসি কৌবা নোংকাওবা

পোংলম 'দং নিবকত্রি।

মুংশি নংবু পীবা ডান্নিডাই ওইবরা ?

তোম্মু— পাম্মু নংবু হায়উদ.

ননাও ওইবী ঐহাক্লা

থংলেল নঙ্গী নকাদা
করি থুপচানা খাকখিবা লৈরিবা।

কদেং— নত্তে পাম্মুবি।
মালং শক্রোল পুবনি,
মতম শৈবোল শকপনি —
নহাল কৌবা নোং মথৈনা
চিলোক-মণ্ডলাল-শৈরাংনি ;
ডসি কৌবা নোংদগীনা
কায়ন-শৈশকর্বনি ;
মুংশি নংবু থাংসিদো।

তোম্বু— থংলেল,
কবি রাবু কৌবগে।
নমু তাইবং মাপি থনখিসি,
খয়ুম লাইচপ লাগ্লনু—
ননাও ওইবী ঐহাকপু
পাম্মু নঙ্গা কাদগী
মুল্লবা কনা ভাম্মডাই লৈ।
ননাও থাঙলেল পায়রিয়ে—( উৎপা )

কদেং— মুংশি নংবু থাংখানে
নশাবি ঐগী কোলোয় ইপাউথোল।

মুক্তা ওইবী ঐহাক্না
নশাবি ঐগী কাদা ওইবগুম,
শানৌ, নঙ্গী দমক্তি
তাউবা হূইগং ঙক্লাং থাং
কুরাউ হংলাং খুজেং চল
কৈস্তুম শঙলাং খাঙলিব্লায়
ইমাল মাগী কাদা
নুংশি নংবু ওইদনিঙাই ওইবরা।
মুক্তা-পাখং অপুম্বা
লৈবাক মাগী নত্তবরা।
ইরোমদোম্না মাঙনঙাই
লৈবাক-পান্না কান্নডাই
ঐখোয় মীনা তৌদনিঙাই ওইবরা।

তোম্বু— পাম্বু,
কনব রাবু কৌরিবা।
তিল্লাং খাশিংনখিবা
হন্ননিঙাই ওইবরা।
পাম্বু নঙ্গী নফমদা
থাংজৌং ফানখোং মক্ত পল
শরী পন্দোন লোম
শীঁঙেল লৈরাং লাংলকপা

ভাউজিং হৈরাং কারকপা
করি কাউমন কাউবগে
পাম্মু নংবু থল্লুদ।

কদেং— শানৌ।
পায়মা নুংলায়নবনা থোইবনি,
কাইবু পালোয়নবদি কদৌনি—
লৈরাং থম্বাল কনা খোইরোয়দবা লৈ।
কোরৌ-অঙাল পাঙ্খোইবনা লৈকোইদবা করি লৈ।
মালেম-অশৈ-কাঙলুপ্পা
লৈরাং থম্বাল মাদনা
কোরৌ অঙাল পাঙ্খোই মাদনা
শৈপান্নদরা নুংশিবি।
করিনুংগী দমক্লো থঙদবরা পাম্মুবি।
লৈমরোল শায়োল-লুচংবি,
নুংশি-ফিগৈ শেংলবি,
কদেং কোবা ঐঙাক্লে
থম্মুং-তাইবং অনৌদা
পাম্মু নঙ্গা দমক্লি।
নুংশি নঙ্গী নঙুংলাং
তোর্ব্বুং লমজাউ তারগে—
নুংশি নংবু তুংওই থম

কোরৌ নোংদা কাবদি
থম্মুং শাউব্রা তানবদি
নথংলেল ঐগী ওম্মিঙাই ওইদরে—
মুংশি নঙ্গী দমক্কি
ঙাইরগেকো পাম্মুবি।
পঙ্খোগী হংলাং শংলুখো,
নিংথৌগী লাকথাং য়ারুখো
ইরৈবাক লৈচাউ সেম্মুখো—
নিংথৌ-লাকথাং তাবগা
নথংলেল ঐগী খোঙ্গূল লীরকউ—
নথংলেল ঐনা নিরিসে
পীনীঙাই ওইদবরা মুংশিবি।
( তোন্নু কপ্পা। )
নিংথৌ-লাকথাং তাবগা
পাম্মু নংনা মাঙদা থা
মুংশি ঐনা তুংদা থং
কোরৌ নোংগামিন্নঙাই ওইদবরা।
ঙসি কৌবা নোং
পাম্মু নঙ্গী মুংশি-ফিগৈ শঙলগে
মুজা-পায়মা মুংখন্নীঙাই ওইদবরা মুংশিবি।
( য়েংনজ্ঞনা কপমিন্নবা )

( লীক্লাং পরেং হুকপিবা )
লীক্লাংসিনা চোইত্রিবৈঙ
নশাবি ঐহাক কদৌদে—
মুংশি নঙ্গী নরেংদি কনানা—
( তোম্ব লীক্লাং লৌথোকপা, হুকপা )



## অহৃমশুবা মতাং

অনীশুবা উৎপা

মফম—কংলা

মতম—ন্নুংথিল।

ঙারুংহনবা— ননাইবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই।
কেগে উক্রোং হোঙনঙাই
লেম্নৈ ঙারম চান্ম-নীপাল
ঙারম লুক্লাং থল
লেম্নৈ ফুরাং চোল
নদাইরেম ঐনা পুক্সরক
লেম্নৈ ঙাশং অপানবদা
ঙসি কৌবা নোং ঙাশিন্নক্সরে। ( থুকুম্বা )

নিংথৌ— ইদাইরেম, নুঙাইদ।
চীঁঙু থাংজোংনা কুম্বিনিঙাই ওই।
নিংথৌ ঐ পায়মা পুরাং পেল্লে,
অপাম্বা করি নিজোদ।
নিংথৌ ঐনা পীবা ওম্মিঙাই
করি পনবা তৌররোই।

ঙাকং— লেম্নৈ ঙারম থাঙবদি
নদাইরেম ইথোদাং নত্তবরা।
তোইগীদি লৈমনিংথৌ ময়াথং
নদাইরেম ওইবা কাদদি
কোয়ৌ নোংদা কাফদে,
মালেম লৈদা তাফদে,
অপাম পোচ্ছক নাইফদে—
মপুগী নোংদম্নি ইনিংথৌ।

নিংথৌ— মুঙাইদ ইদাইরেম
পায়মা পুরম য়াল্লিদ,
নিংথৌ ঐগী চরৈফি
ফংজখরো ইদাইরেম। (কুপ্পিবা)
(তোম্বু লাইজিংলেম্বাগা পেম্বুগা চঙলকপা, থুকপা)
লৈমরোল নীংথিবি,
হায়ু নংবু কনানো।

পেম্বু— ইনিংথৌ।
কেগে লৈমরোল লুচিংবী
লাইজিংলাকপা মমোম্নোল—

নিংথৌ— উম্ থঙলে—
পাখোঙ লীরকপা নত্তবরা।
লাইজিং নিংথৌ ঐগী ইকাইনিঙাইনি—

অতুগীদি নিংথৌ ইনীং চংফদে,
লৈবাক্কী মনীং থুংদফদে।
অমগা তরাগা
তরাগী য়েংদনিঙাই ওইদবরা।
লৈবাক মাগী থৌরাংনি,
লাইজিং নিংথৌ ইখুং নত্তে—
মুজা লিনখা থাগম্নু
ঐনা ঙম্নিঙাই ওইদরে।

( কদেং থাঙজহনবা চঙলকপা, মহাক্কা তোম্নু লাইজিংলেম্বীগা থংয়েং য়েংনবা—লুকথনব', থাঙজহনবনা নিংথৌ থুরুপা )

নিংথৌ— এ, ইদাইরেম।
কদেং থাঙজহনবা—ইনিংথৌ।
নিংথৌ— শারমদি ?
কদেং— ইনিংথৌ।
শারম চাম্ম-নীপাল
শাশঙ অপানবদা—
নিংথৌ— মুইকো ?
কদেং— নবুথৌ থাংজীংনা মুনা কুবি।
নিংথৌ— শাশি য়াওদেকো ?
কদেং— শাহিং ভাক্নি ইনিংথৌ।
য়ারৌ শক্তি অমা থোইজরি।

থোয়ব্জি মিচল চঙফাওনা
ম্বারৌ মশা লৃম্বীনি।
কংলা উক্রোং হোঙবয়াই
মপুই লৈমা তম্বয়াই
লৈমা মাগী মায়োক শা
নদাইরেম ঐনা কচ্চবনি।

নিংথৌ— সুঙাইদ ইদাইরেম।
নিংথৌ ঐ কোনগে লাউ। (কোনবিবা, কদেং খুরুম্বা)
করি পাম্মি ইদাইরেম ?
নংনা পান্বা অমত্তদি হায়বা
নিংথৌ ঐগী পেনবা লমথৈ য়োরে ইদাইরেম।

কদেং— ননাইবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংথৌ ইনিংথৌ,
কেগে লৈময়োল পুম্বিৎলাই।
য়োল্লবদা ডাকপিসি
লাল্লবদা কনবিসি।
পাথৌ ইমাম্লবা ওই
শরী পন্দোল তন্ন তাল
পুক্লাং লুম্নিডাইনি।
ইনিংথৌদি ইপীনি, ইপানি—

ঙসি কৌবা নোং
নদাইরেম ঐনা নিজবা
নিরম পাউহংবিদনা
নোংদম্বিনিঙাই ওইগদরা, ইনিংথৌ।

(ময়াম ওক্লপ য়েংনবা)

নিংথৌ— ইদাইবেম।
পায়মা পুক্নীং লাঙ্গনু,
কবি নিরম পাউহংলোই—
থাংজিং মানা খঙসনু।

কদেং— ঙসি কৌবা নোং (তোম্বু য়েংলকপা)
নদাইরেম ফমঙমজ্বরগে। (খুরুম্বা)

(তোম্বু মমিত্তা পি শিন্দবা)

নিংথৌ— কবি ইদাইবেম ?

কদেং— নবাংথৌ থাংজৌ মিংথৈ পল—

(খুরুম্বা, তোম্বুদা হাইনা য়েংলম থোকথিবা)

নিংথৌ— হে থাংজৌ!

তোম্বু লাইজিংলেম্বী—ইনিংথৌ।
তোম্বু কৌবা ঐহাক্না,
লৈবাক নীং খুংগঙ্গ
পম্থৌ কৈস্নুন হঙনীং
মপুই থুম্না থাদা

মুজা ওইবী হকচাং কচ্চরি—
কোলোয় নোংদম্বিনিঙাই ওইবরা? (খুন্নবা)
(নিংথৌ মরু নুকপা)

ওঝ্রাকপা— শানৌ শঙলেল লাকপা।
শানৌ লাইজিংলাকপা—
(শঙলেল লাকপা থোকখিবা, লাইজিংলাকপা পুন্নকপা)

তোম্বু— ইপা ইবুঙো। (চেল্লিনবা)
লাইজিংলাকপা—ইপাই লাংলেল। (কোনবা)
(পেম্বুদা) ইমোম পেম্বু।
পেম্বু— ইপা ইবুঙো।
লাইজিংলাকপা—লাউ— (চঙলকপা, কোনবা)

(নিংথৌদা) ইনিংথৌ।
মপুই নোংদম— (কুম্বা)
তোলোংখোম্বা – পাথৌ, নমোম লাংলেন্দা –
তোম্বু— ইপা ইবুঙো, নঙ্গী দমক্ত—
ওঝ্রাকপা— শানৌ লাইজিংলাকপ।
লাইজিং— অম্নপ্পা।
ওঝ্— লৈরাং কংনিঙাই ওইদ্রিবরা?
মপুগী লৈরাংনিঙাই ওইবে
পায়মা মুংদা থল্লিদ।

লাইজিংলাকপা— অম্সুপ্প।
নরোয় ঐবু য়োল্লগদবা।
লৈরাং মানা শাংপদি
লৈকা তাংনা মশাচ্চে,
লৈরোয় মাগী য়েংবদি
শীঁভেল মনীং মতমক্তৈ—
লৈপাল ওইবা পম্মোগী
থৌরাংনিঙাই করি লৈ।
মালং মাগী মালংচং—
লাইজিংলাকপা ঐহাক্কী
খুথানিঙাই করি লৈ।

তোম্নু— কংলা ফম্নুপ অপুম্ব।
পম্মো মাগী কৈস্নুম্মল
মমোম ঐহাক লৈজেয়ে
মুজা পাউকচ্ছথরে।

( লাইজিংনিংথৌ, লাইজিংলাকপা অনীমক লোর মপী হোনবা )

---

# অহুমগুবা মতাং

## অহুমগুবা উৎপা

মফম—লৈমকোল
মতম—অহিং।

তোম্বু লাইজিংলেম্বী—মুম্বু লাইবকথীবী
তোম্বু কৌবী ঐগী
নাংবা থুংনিঙাই লাক্লে।
সনা লীকথাংসনা হেক তাবদা
ঐগী য়ানিঙাই লোইবে।
লোইদাম থাবুম থবদংদ মঙায়শিল্লক্লে।
পাম্মু নংবু— (কপ্পা)

নিংথৌ—(চঙলকপা) শানৌ তোম্বুখোম্বি।

তোম্বু— ইনিংথৌ। (খুরুম্বা)

নিংথৌ— মনাও ওইবানা
মথংলেল মকাদা—

তোম্বু— ঙাক্সি, য়ারৌম্বু, মাঞ্জ নহাকপু।

নিংথৌ— শানৌ।
পায়মা করি মৈশা লাং
মিৎলু পিয়াংনরিবা!

তোম্মু— মাজ মংবু মুংশিব।
মুজা ওইবী ইপোকী
খোঙহৌ খোঙলোর ওইখিবী
পেম্মু ঐগী অচানবী
মুজা মাবু নীংসিংলু
ম্নিংলু পিরাংনবনি
লাইজ তরঙ হৌবনি—
নত্তে করি অতৈ থোইনা।

জিংথৌ—(মুন্না য়েংলগা) নিংথৌ ওইবা অৱাবনি।
( নৈথোক্‌না ) কদেং নংবু—



# অহুমশুবা মতাং

## মরিশুবা উৎপা

মক্কম—তোর্ব্বুং লমজাউ,

মতম --য়াচও।

কদেং থাওজহনবা— ( তুমিন শুম্বা য়েংহুনা লেপ্পা, লেপ্পীভাই লেপ্পপা )

করি কৌবা নোংদা

পাম্মু নংবু উরগবা। ( মিৎলু পিয়াংনবা )

(অরা-লোয় হোনবা) করি মুমিথাদা

মুংশি নঙ্গা খোওলোয়না

কোরৌ নোংদা তন্ন কা

অরা-মৈশা কোক্লগবা।

কোরৌ শীংবুম য়ামশিল্লক্লে

লোইদাম থাশাং কাশিল্লক্লে—

কায়দোং কায়বা চেক্লাপা

নাইতোম পায়বা পোম্বিসা

কয়া কুইনা অরা থাও

তোর্ব্বুং চাক্লাখিগবা। ( তুমিন কপ্পা )

ওয়ুরাকপা—( চওলক চওলক্কা )

করি মতৌ কৌবগে

ঙসি কৌবা নোং অসিবো।
( কদেং হন্না য়েংলম্লগা তুম্নিন নাথৈননা খুপথিবা )
মীথোন তাথিবগুম তৌখি,
খোঙ্গুল লীরকই থেংনদে।
নিংথৌ মানা কদায়দা—
হে থাংজৌং।
হৌজিক্লা য়াংদৌ কৈদা। ( খরপ তৌবা )
এঃ শউম অমা তায়.
আ—কনানো।

তোলোংখোম্বা—( চঙলকপা অসুপ্প,
নশানৌ তোলোংখোম্বনে
খোঙ্গুল লীজরক্লিবনে,
পায়মা মুংজেংবিগনু।
( চেন্নিল্লকপা, কোয়বা )

ওয়ুয়াকপা— য়োইময়াই অঙানবনা
লোইবি নয়োন তমথিনিঙাই
তোর্বুং ফিরুক থুমথরেদো—
য়াংদৌ কদোম পাংসি হায়বা
লময়ান্নিঙাই ওইরে ইশানৌ।

তোলোং— খোঙলমসিদা অসুম,
মায়গৈ খিঙং মশ্মি—

ইনিংথৌগী লম্বীদু
অত্থুম খিত্তং মন্নি।

ওনন্দুরাকপা— হে থাংজীং। (অনিমক থোকখিবা)

নিংথৌ—(চঙলকপা) করি মদো কৌরিবা
ভসি কোবা নোংসিবো!
ইদাইরেম 'মত্ত কদায়,
খোঙ্গুল লীরকপা লৈত্রে।
হে থাংজীং। (চংকে তোবা)
এঃ পাম্বনিনসিদে।
হাল্লকপত্থুম তারিবরা।
তাবাংনিঙাই অমত্ত—
ইহে! শোয়বা তারে,
নিপাদে,
লাইহুই নিংথৌদে,
কেপে লৈকোয় মপুদে। (কৈদা তা লেংবা)

কদেং থাঙজহনবা—(চোংথোরকপা)
নিপাদে,
কদেংদে,
মোইরাংনিংথৌ মদাইরেমদে। (তা পাংবা)

নিংথৌ— এঃ ইদাইরেম।

---

# অহুমশুবা মতাং

## মঙাশুবা উৎপা

মফম—কংলা,

মতম—নুংথিল।

ওম্‌রাকপা— শানৌ তোলোংখোম্ব
ঙসি কৌবা নোংগী কংলাদি—
ইনিংথৌগী য়াথংনি—
লৈমা নিংথৌ লৈবাক সুনা তিম্নিঙাইহন্নি।
কংলা য়াইবুং পুখোল তানা ইশানৌ,
ময়াম্বা ঐনা নিংথৌ খোঙলেঙথোক্লবা অত্তুক—

তোলোংখোম্বা—অসুপ্প,
শাবুংনি, লানবুংনি
কোলোয় শেংনিঙাই ওইদবরা।

ওম্‌— মত্তে, কংলা অচৌবনি। (থোকখিবা)

(পুংজাউ থীনবা)

(লৈবাক, নিংথৌ, লৈমা লোইনা তিনবা)

নিংথৌ— কেগে ফম্‌প খিবিক্লা
মোইরাং লৈবাক পুম্নমা।

ঙসি কৌবা নোং
লাইজিং নিংথৌ ঐহাক্না
লৈবাক শক্না ইশানা
কেগে কংলাদা লাউজরিয়ে।

(শঙলেন লাকপদা) শঙলেন লাকপ।
ঙরাং কৌবা নোংগীদো—

শঙলেন লাকপা—ইনিংথৌ।

( থোকখিবা, কদেং থাঙজহনবা হুইগং থাংদ্রুনা পুখিল্লকপা, ময়াম ঙক্লবা)

তোম্বু লাইজিংলেম্বী—( ঊবদা ) ইস্—

( তুথরকপা, মনাইনা ওকপা )

মনাই— অমাই হঞ্জবা।

তোম্বু—( নিক্না ) ঐ কদৌদে,
চুম্না ভাথবনি।

নিংথৌ—( কন্নি নাচুংদনা )
কেগে কনা ইপাচানা
মপাল মাগী ফরিৎে
লৈবাক ঐথোয়বু
তুংওইনিঙাই ওইবরা,
পারস্নেন্দা য়োন্দবরা,
পুরস্নেন্দা লান্দবরা।

পারোম্না
পুরোম্না
তারেল তারোল খুত্তা পায়
ঈভাং ঈমু পোম্বা ওই
য়াইবি মানা ন্না তন্‌খৈ
লায়রোল মীরোল অনীদা
মমান্নবা থোংগ্রেং হা
য়েক্ল পুম্বা মথুং কুম
চাদা ওইবা ঐখোই ক্না
শিন্নরম্নবা –
খোম্লাং মাগী খৌবুম থন্‌ থক
চইন মাগী ইবুক থন্‌ তং
য়াইবি থন্নাই হিং
মালং হন্নাউ ইথক কা
পান্ননব্রিবা—
কেগে ইন্নৈবাকপু
মোইন্নাং ইন্নমদম্বু
সুংশি-পৈন্নে তন্‌ হন্‌
য়েংদন্নবদা,
থল্লুগ্রবদা
তনবা মানা লৈরাং ফংদনিঙাই কন্নি লৈ।
( কমৰৌশিং তা খিংবা, ভোম্ব হোগংকে ভৌবা, মনাইনা কোজিনবা )

কদাং ঙারুংহনবা—ইনিংধৌ।

য়োল্লবদা ঙাকপিসি,
লাল্লবদা কনবিসি—
অশাউ-পৱৈ হনবিখিসি।
তাইবংনিদো শক্লোল তুকাংবায়
ঈফাংনৈদো অমম-অঙাল,
শাগোম্নৈদো অচুম-অরাল।
মায়গৈ অমা কৌবদদি
হক্লা য়োল্লে নদাইরেম।
অয়োল মাগী শাগোল্লোয়
অচুম করি লৈনিঙাই
থিবিনিঙাই ওইদবরা ইনিংধৌ।
মপূ পায়মা মুংদাবিনিঙাই ওইদবরা।

ওয়্রাকপা— ইনিংধৌ।
নদাই কদাং ঙারুংহনবনা
কোলোয় মপাউ কচ্চবা
মপূ পায়মা 'মুক্তং মুংদাবিনিঙাই ওইব্রা।

তোলোংখোম্বা—মনাইবু লোইবা লৈমাব,
মোইরাং নিংধৌ ইনিংধৌ।
রায়েল পরিং চুম্না থা
অয়োল মানা হেল্লে লৈ পীবা

অচুম মানা থোইরে কুবিবা
পারমচৎপু নত্তবরা,
পুরমচৎপু ওইদবরা।
মপু পায়মা মুক্তং সুংদাবিনিঙাই ওইত্রা।

নিংথৌ— ইদাইরেম।
মোইরাং লাইহুিংনিংথৌ ঐহাক্না
ইদাইরেম নঙ্গী রাপা সা
লৈবাক মাগী য়ারা ওই
কংলা-রাকং তারেদো লোইনা।
অকি-অখং লৈদা থা
ননীং:তম্না রাদা লৌ
পাউখুম্নিঙাই ওইদবরা ইদাইরেম।

কদেং থাঙজহনবা—নদাইরেম ঐনা.য়োনবনি—
চরৈ ফিগাউ সা
খুকউ লৈদা পক
মপুগী লৈরাং ঙাইজরি।

নিংথৌ— লাইহুিং নিংথৌনা রাকৎপা
তনবা নংনা য়োন্নবা
পায়মা সুংদা হান্নেদো।

কদেং— ইনিংথৌ।

নিংথৌ— লৈবাক-নিংথৌ-ঙাদা য়োয়ঙাই
ঙবোং খাউলাং চল্
পৌয়া কোল্লেল থোং
লেইয়ে ঙামি তম্বা—

তোম্বু লাইজিংলেম্বী—ইনিংথৌ,
কোলোয় পৈয়ে হুনবিথো।
য়োল্লবদা ঙাকপিয়ু,
লাল্লবদা কনবিয়ু—
কেগে কনা ইপাচানা
লৈবাক য়াথল মুংদা চল
মদোম য়াথল পান্দা থম
লৈবাক মাগী দমক্ত
অরা-কোকথোং লুদা থোং
অনং-নম্বো নমদা পো
মালং হৈ-হা থোঙচংঙাই
লৈফংনিঙাই ওইবরা।
পায়মচংনা য়ায়োই কদৌঙং,
পুয়মচংনা তায়োই কয়িঙং।
ঙসি পম্বৌ লাইজিং লাকপনা
পাথঙবী মমোম পোকপজি
চেংলৌ মায়থোং মকা লাম

কংলা কম্বুপ তিল্লিবা
কেগে কনাগী খুজিল্লো।
কেগে খুঙ্গং খুলহোডনা
মোইরাং লৈবাক লৈচাউনা
হয়াউ-পুংজাউ পুংথন্না
ইনিংথোনা পাল্লিবা
কেগে কনাগী খুথানো।
মুন্নু নোংদমথীবী
লৈত্রোল লাইবকচাউবী
তোমু লাইজিংলেম্বী—
কপ্তশিন্ন নোক্লিন্না
লৈমা সানা ওয়দা থং
সনা তাংবল নাপ্প য়া
মপু লৌকথাং য়ারিবা
কেগে কনাগী থোয়াংনো।
কায়দোং-কায়বা চেক্লা পা
নাইতোম তাবা পোম্বি সা
তোর্বুং চাক্কারিবা কেগেসিগী থৌয়াংনি।
লৈত্রোল লাইবক চাউবী ঐনা
শন্নাং খুরৌ ওই
( ফদেংবা ) পাম্মু নংবু— ( তুথখিবা )

নিংথৌ— হা—হা—হা

(শণ্ডলেল লাকপদা) শণ্ডলেল লাকপ,

হুইগং শংলু!

( কদেংদা ) ইদাইরেম!

পায়মা পুকথা থাগমু।

নিংথৌ পায়মা মুংগী লংলা লংজিল পুন্নবা

থাইগে থৌরাংলুবনি।

( লৈবাক্তা ) লৈবাক পুন্নমা,

তাবিসি।

ঙরাং কৌবা নোং

তোর্ব্বুং-লাইশা তানডৈ

য়োইময়াই অঙানবনা

চীঙ্গী. নম্লোল তমথিবনা

তোর্ব্বুং ফিরুক খুম্বরাই

নিংথৌ ইদোম লেপ্পরাই

পাম্বা কৈরেল অচৌবা

ঙসি কৌবা নোং

কৈবুংনিদা কারিবা

শমু মায়োক্লবনি।

ইদাইরেম কদেং,শাকুংহনবনা—


থয়ুম মাগী নোংদমথোল

শা-তু-তাবাংলগনা
নিংথৌ ঐহাক হিংলকপনি।
অসোমদনা নিংথৌ ঐগী ম্নাইবি কল্লে;
অসোমদনা থয়ুম মাগী মপাউথোল—
লৈবাক ন্নাথল তৌ
মমাল লম্বী শেং
মদোম অন্না-কোকথোংপু লেম্নভাই,
ওসি কৌবা নোং
মোইরাং নিংথৌ ঐহাক্না
লৈমরেল শায়োল নীংথিবী
লৈমা তোম্বু লাইজিংলেম্বী
মুংশি-হংলাং চল
পাম্মু মপাউ ইল
পম্বোগী হংলাং শৎ
লৈবাকী থৌদাং প্পু
কপ্তশিন্ন নোক্মিন্না
অন্না নম্বোনরিবী—
থোম্নজি মিঙুল লাং
সনা-পোঙ্গেল হৈ-হান্নু
চুম্বং-তাংবল অউন তম
লৈমা লৈচা শেৎ
ইদাইরেম কদেংদা থান্নবনি।

(তোম্বা) লৈমরেল শাম্মোল নীংথিবি,
থমুম মাগী নোংদমথোক্ল—
পাম্মু-মুংশি-কাদা
শম্মাং খুম্মৌ ওইথরে,
মুজা পাম্মা লিনথা থাকদে।
(কদেংবা) ইদাইরেম। (তোম্বু খুজেং পাম্মহনা শিম্বা)

ওস্রাকপা— কেগে তাদবা তাহোম্মো,
মোইরাং খঙদবা খঙহোম্মো—
সনা লীকথাং তৎফদে,
লীকথাং লীকথুল মুৎফদে—
ওস্রাকপা ঐগী থাংফম
কংলাগী লীম্লাইয়ুম্বীদা তাহোম্নসম্ম—
নিপাদে,
ওস্রাকপদে,
মোইরাংনিংথৌ মদাইরেমদে।

---



রিজং